# ২০২১ ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ য়ূম্বু ওইনবা বি এফ আইগী ৱাফম এ আই বি এনা য়াখিদ্রে




*কোলকটা, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী য়ূম্বু ওইগনি হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) না ক্লেম তৌরিবা অসিদা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন (এ আই বি এ) গী মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা বি এফ আইনা ২০২১ দা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী য়ূম্বু ওইবগী কোন্ট্রেক্ট অসি ককথৎলে হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৭ দা ৱার্ল্ড বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা ফংখি অদুগা হোষ্ট সিটিগী এগ্রিমেন্টনা কুমজা ২০১৯ গী জনুৱারি থাদা সাইন তৌনখিবনি। এগ্রিমেন্টকী মতুং ইন্না হোষ্ট ফিগী তঙ্খায় অমা ২০১৯ গী দিসেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা পীগদবনি।

অদুবু ন্যু দিল্লিনা হোষ্ট ফি পীবগী য়ান্নখিবা ৱাফমশিং অদু ইন্দনা লাকখি। এ আই বি এগী মায়কৈদগী কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবসু বি এফ আইগী মায়কৈদগী নাথৈদুনা লৈরকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা কোন্ট্রেক্ট অসি কুমজা ২০২০ গী এপ্রিল থাদা টার্মিনেট তৌখিবনি এ আই বি এগী ষ্টেটমেন্ট অসিনা হায়রি।

এ আই বি এগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ূম্বু ওইবগী রাইট বেলগ্রেদতা পীখ্রে। বোদি অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা কুমজা ২০১৮ দা বি এফ আইনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এ আই বি এ ৱুমেন'স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী হোষ্ট ফিগী শরুক অহুম থোকপগী অমা পীগদবা ৱাৎখি। ইভেন্ট লোয়খ্রবা মতুং থা ১৮ হেল্লবা ফাওবদা দ্যুশিং অদু লৈখি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হোষ্ট ওইবগী ফি অদু বি এফ আইনা ২০১৮ গী সম্মরদা পীগদবনি। এ আই বি এগী মায়কৈদগী পেমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা প্লান কয়া পীখ্রবসু বি এফ আইগী মায়কৈদগী ৱাফমশিং অদু রেসপেক্ট তৌরকখিদে হায়না মরাল শিরি।

এ আই বি এনা বি এফ আইগা মরী লৈনবা বেঙ্ককী থবকশিংসু রিজেক্ট তৌখ্রে। বোদি অনীগী মরক্তা থোরক্লিবা চয়েৎনবা অসি বি এফ আইগী মায়কৈদগী পীফম থোকপা শেনফম মতম চানা পীরক্তবদগীনি। ২০১৯ গী জুন থাদগী সর্ভিয়া ফাইনান্সিয়েল টাস্ক ফোর্স গ্রে লিষ্টকী মনুংদা লৈখিদ্রে, বি এফ আইনা ২০২০ গী ৱিন্টরগী মনুংদা এ আই বি এদা শেনফম খরা পীথোক্কদবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা এ আই বি এনা মখা তানা রিক্স লৌবগী মথৌ তাদ্রে। বি এফ আইগী মায়কৈদগী তৌগদবা থবক কয়া অমা তৌরক্তনা লৈরকপদগী এ আই বি এদা চাওনা মাঙজদুনা লাক্লি। মরম অসিনা কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী য়ূম্বু ওইবগী রাইট অদু বেলগ্রেদতা পীখিবনি হায়না এ আই বি এগী ষ্টেটমেন্ট অসিনা মখা তারি।

# ওপোজিসন রুলিং খায়দনা পুন্না কোভিদ থেংনমিন্নসি পোলিটিক্সকী মমি তাহন্দুনা লান্না উহনলোইদবনিঃ জয়কিষন

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এসএন এস) ঃ

মালেমগী লৈবাক কয়াদা শন্দোরক্লিবা অমদি ইন্দিয়াসু শন্দোক্লিবা কোভিদ–১৯ লায়চৎ অসি থেংননবগীদমক ইন্দিয়াদা ওপোজিসন অমদি রুলিং খায়দনা পুন্না খূৎশম্নদুনা লাম্হেংমিন্নরি। মণিপুরদা পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা থমদনা পুন্না লাম্হেংচংশিনমিন্নরিঙৈগী চৈরক্তা পোলিটিক্সকী মমি তাহন্দুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা মহাকপু লান্না উহন্নবা হোৎনরোইদবনি হায়না থাংমৈবন্দ এ সিগী এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্না হায়, ওপোজিসন অমদি রুলিং খায়দনা কোভিদ–১৯ অসি মীয়ামগা লোয়ননা থেংনরকপনা মায় পাকপগী লম্বী অমদা হৌজিক চংশিল্লক্লি।

চীফ মিনিষ্টরকী মায়কৈদগী কন্সলটেটিভ কম্মিতি অমা শেমদুনা হেন্না ফগৎহন্নবা লম্বী অমা য়াখোক্তুনা চংশিল্লিবনি। ভাইরস অসি মীয়াম অমত্তা ওইনা থেংনবদা য়াদে হায়বগী ৱাখলোন্দা থবক তৌরিবনি।

কনাগুম্বনা মসিদা পোলিটিক্সকী ৱাফম পুশিল্লকপা অসি লাইবক থিবনি। মসি খঙবা ৱাৎপগী ওইরম্বসু য়াই। ইলেক্সন মতম নত্তবদা ইলেক্সনগী ৱা পুশিল্লগা ঙাঙবা অসি তৌহন্নিংদে।

মমাঙদসু পি এম জি কে এ ৱাইগী হৱাই পীথোক্তবগী ৱাফম পুথোকপা মতমদা সি এএফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরনা মিতিংদা মসিগী হৱাই অসি নফসা কার্দ হোল্ডরশিংদখক পীগদবা ওইবনা মসি কার্দ পায়দবশিং ফংদ্রবদি নুংঙাইতবা লৈবনা মসি পুন্না পীথোকপা য়ানবা লৈঙাক্না খন্নবা লৈবনা থাদোক্তবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরে।

পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা ফংলিবা খুদোংচাবা অসি লৈত লায়রবশিংখক্তমক পীগদবা স্কিমনি, মসি মীপুম খুদিংমক পীয়ু হায়বা লৈতে।

চেঙদি ও এম এস এসকী ওইনা মরাং কায়না ফংবনা লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা লৈরগা পীবনি। মরক অসিদা বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট জ্যোটিন ৱাইখোমনা থাংমৈবন্দগী পোল্লিং ৯। ৩৬,৯। ৩৭,৯। ৩৮ অমদি ৯। ৩৯দা পোৎ য়েন্দে হায়বসি পোৎ ফংদবা কনা কনানো হায়বদু মী ওইনা পুথোকপীরকউ হায়খি।

থাংমৈবন্দগী ওইনা নন লোকেল তাবা মফমশিংদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা চংশিল্লকপনি। এপ্রিল ২দা পি এম জি কে এ ৱাই অসি য়েন্দ্রিঙৈদা আলুগলিদা ভোটর কার্দ পায়বা হেক থোরক্লিবা খুদিংমক পোৎ পীখিবনি। মদুগী মতুংদা হায়রিবা এরিয়াশিংদা য়েন্নবা হোৎনবদা কালিবারি এরিয়াগী ওইনা কালিবারিদা য়েনবীয়ু হায়বদগী মফম অদুদা য়েনখি।

সিখ সমাজদা চৎপা মতমদা মখোয়গীদি গুরুগী সেবা ওইনা মীয়ামগী মতেং পাঙবা ওইনা অহোংবা মমলদা পোৎচৈ য়েল্লি মরম অদুনা সিখ সমাজদা ওইনা খরা কৎপীরক্লবগী হায়রকপগী মতুংইন্না চেঙ বেগ ৫০ পীখিবনি।

মদুগী মতুংদা মরৱারি কম্যুনিতিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মদুদা ধর্ম্মশালা মনুংদা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ অসি নত্তবা নন নফসাগী চেঙ অসি য়েনগে হায়বদা মখোয়না মীয়ামগী মতেং পাঙগদবনি। এম এল এনা য়েনবদা মতেং পাঙজগে হায়বদগী তিলহৌ অমদি অচাথাউ মতেং পাঙলকখি। লোয়ননা মফম অদুদা চেঙ য়েনবীরগনু মমাঙদা এপ্রিল ২দা য়েনখিবশিংদু মীঙোন্দা য়োম্হোক্লম্বা লংথোক্লম্বা অসি য়াম্না পামুই। মরম অসিনা তঙাইফদবা মীওইদা পীবিয়ু, মখোয়গীদমক্তদি মনা মশীংগী অৱাৎপা লৈবনা মদু ওইনা মতেং পাঙবীয়ু হায়বদগী ইমুং ৩৯৬কীদমক মনা মশীং মখল মঙা শেল্লগা য়েম্হোকখি। মসি অতৈ মফমদা তৌদে।

রিলিফ কম্মিতিদা কম্যুনিতি খুদিংমক্কী মীহুৎশিং য়াওহন্দুনা অৱাৎ অপাশিং য়েংশিন্দুনা খেন্নবা অমত্তা থমদনা থবক তৌদুনা লাক্লি। এপ্রিল ১দা থাংমৈবন্দ পুম্বদা ক্লবকী খুথাংদা চেঙ অমদি হৱাই য়েম্হোকপদা বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্টকী মচিন মনাউশিং চেঙ লৌরিবনি। মসিদা পোলিটিক্স তৌদে তাক্লবনি।

মহাক্কী ইমুং মনুং চেঙ ফংদে হায়রবসু থিনবা লাকচগে। ওপোজিসন অমা ওইনা য়াম্না ক্রিটিসাইজ তৌবা মীওই অমা ওইরবসু ইশু অসিদদি মদু তৌরোই তৌসু তৌদে। চীফ মিনিষ্টরগা নুংশিননা চৎমিন্নরিবনি। মসিদা অশোয়বা থিনবা মতম নত্তে।

পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ বুঠ বুঠতা চৎলগা য়েল্লু হায়বা লৈঙাক্কী য়াথং লৈতে। নফসাগী এজেন্টতা য়েলহন্নবা য়াথং পীরকখিবনি। অদুবু থাংমৈবন্দদা এজেন্ট মরিখক লৈবনা মীয়ামদা পোৎ মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনবদা বুঠ বুঠতা সব এজেন্ট ময়াম অমা হাংদোক্লগা পোৎশিং অসি য়েনবনি। পোৎ য়েনবদা ফংহৌদ্রে হায়দুনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপদা ময়ুমদা চৎলগা থিনবনি।

হৌজিক অশোয়বা লৈরবসু মতুং তারকপদা মীখলগী মতমদা প্লেটফোর্ম অমদা দিবেট তৌনসি। হৌজিক মীয়ামগী চিরবা মতম অসিদা লাওনবসু পামদে। চেঙ য়েনবগী ৱাফম অসি সি বি আইদা থিগৎহল্লু হায়বসি করিসু কায়দে। মসি তরাম্না ওকই। থাংমৈবন্দগী তোক্লগা মণিপুরগী চেঙ মাঙলিবা ময়াম অসি জ্যোতিননা থিগৎহনগনি হায়না লাওথোকপীয়ু অহানবা খুবাক খুবা মীওই অদু ঐহাক ওইজগে হায়খি।

মসি মেদিয়াদা ফোঙদোক্ত্রিঙৈদা চীফ মিনিষ্টর অমদি সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরদা তান্নরম্লবদি ফগদবনি। বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা মণিপুরগী য়েংবীয়ু। লৈরিবা ফিভম অসিদা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা মীয়াম্না তথি তথিনা ঙাঙনগনি। কোভিদ থেংনবদা পুন্না থবক তৌমিন্নসি। অইবা সজেসন তৌবিরকউ। পুল্লপ পুনশিল্লগা থেংনমিন্নসি, কোভিদকী লান লোইরবা মতুংদা পোলিটিকেলগী লান চথবদা চিংনবা লৈতে। লৈঙাক্না তৌহন্নিংবা অদু পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইনা সজেসন তৌহল্লগা য়াথং ওইনা তৌহনবীয়ু হায়খি।

# স্পেন মচা জুৱান ফেরান্দোনা এফ সি গোৱাগী হেদ কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে



*ফটোর্দা, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেন মচা জুৱান ফেরান্দোনা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ক্লব এফ সি গোৱাগী অনৌবা হেদ কোচ ওইরে হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

স্পেনিয়ার্দ জুৱান ফেরান্দো মমাঙদা গ্রিসকী সুপর লীগ ক্লব ভোলোস এন এফ সিগী কোচ ওইরমখি। মহাক্না ক্লব অসিদা কুমজা ২০১৭ দগী ফম পুরকখিবনি। মহাক্কী মতেংনা ক্লব অসি থার্দ দিভিজন্দগী ফাষ্ট দিভিজন ফাওবা পুখৎপা ঙমখি।

মশাগী চহী ৩৯ শুরবা স্পেনগী জুৱান ফেরান্দো বেক্টেরিয়া ইনফেক্সন অমনা মরম ওইরগা মহাক্কী মিৎ উবগী চাং হন্থরকখি। মসিনা মরম ওইরগা গ্রিসকী ক্লব ভোলোস এন এফ সিগী কোচ ওইবগী ফম অদু চহী অসিগী জনুৱারি থাদা থাদোকখিবনি।

জুৱান ফেরান্দো লা লীগাগী ক্লব মালাগাগী টেক্নিকেল ষ্টাফ অমা ওইরমদুনা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওই অমনি। মহাক্না লা লীগাগী ক্লব মালাগাগী রিজার্ভ সাইদতা মেনেজ তৌখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

এফ সি গোৱাগী ওইনা ফেব্রুৱারি ১ দগী ক্লব অসিগী কোচ ওইরম্বা সর্জিও লোবেরা মহাক্কী ফমদগী লৌদোকখ্রবা মতুং ক্লিফোর্ড মিরান্দানা লেমহৌরিবা সিজন অসিগীদমক ইন্টরিম কোচ ওইবগী থৌদাং লৌদুনা লাকখিবনি।

মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট অসিগী মতাংদা জুৱান ফেরান্দোনা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্না এফ সি গোৱা ফেমিলিগী শরুক অমা ওইবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। ঐহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ক্লব অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগনি।

ঐহাক্না গোৱাগী ফুটবোলদা পামজবগী পাউ কয়া তাখ্রে। ফেনশিংগী সম্পোর্টকা লোয়ননা ঐখোয় পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা মায় পাকপা টিম অমা ওইনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না জুৱান ফেরান্দোনা ফোঙদোকখি।

এফ সি গোৱাগী প্রসিদেন্ট অক্ষ্য তন্দনা ফোঙদোকখিবদা জুৱান ফেরান্দোবু ক্লব অসিদা য়াওরকপদা তরাম্না ওক্লি। মহাক্কী শান্না উবা মীৎয়েং, ফিলোজোফি অমসুং মায় পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা মীওই অমনি হায়না শিংথাখি।

# কোরিয়ান এফ এ কপ মে ৯ দগী হৌরগনি

সিওল, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা মতম থিন্থহল্লবা কোরিয়াগী মকোক থোংবা লীগ কে লীগনা হৌরবা মতুং নোংমা লৈরগা মে ৯ দগী কোরিয়ান এফ এ কপ হৌরগনি হায়না য়োনহাফ ন্যুজ এজেন্সিনা অসিনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রিপোর্ট তৌখ্রে।

এফ এ কপ অসি হান্নদি মার্চ ১৪ দা হৌনবা শেম শারমখি। অমদি মসিগী অঙনবগী রাউন্দশিংদি মীয়াম য়াওহন্দনা পাঙথোক্কনি হায়না এজেন্সি অসিনা কোরিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসন অসিনা ফোঙদোকখি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দা লৱর দিভিজন ক্লব ৩২না শরুক য়াগনি। ৱিন্নর ১৬ না জুন ৬ দগী হৌগদবা অনীশুবা রাউন্দা কে ৩ লীগকী টিম ৬ অমসুং কে লীগ ২গী টিম ১০গা থেংন্নগনি। ক্বার্টর ফাইনেলনা জুন ২৯ দা অদুগা সেমি ফাইনেলনা ওক্টোবর ২৮ দা পাঙথোক্লবা শেম শারি।

কোরিয়ান এফ এ কপ অসিগী লেগ অনী শান্নগদবা ফাইনেলগী মতমদি কোন্না লেপক্কনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনবগা লোয়ননা ফিক্সরশিং অসি লৈবাক অদুদা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা শন্দারকপগী ফিভমদা মখা পোনল্লগা হোঙদোক হোঙজিন তৌরবা য়ারি হায়রি। সাউঠ কোরিয়া অসি লাইচৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি অমদি লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ ওইরিবা কে লীগ থা ২ হেন্না থেংথহনখ্রবা মতুং মখা চংথনবা ৱারেপসু লৌখ্রবনি।

লীগ অসিগী ব্রোদকাষ্টকীদমক এসিয়া অমসুং য়ুরোপকী ব্রোদকাষ্টর ১০ গা লোয়ননা য়ান্নরে। টুর্নামেন্ট অসিগী মপুং ওইবা শান্নবগী প্রোগ্রাম পূম্নমক ব্রোদকাষ্টর ১০ অসিগী মতেংনা মীয়ামদা য়ৌহনগনি হায়রি।

# নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী সুট্টরশিং জুলাই থাদা রেঞ্জদা হল্লক্লবা পান্দম থল্লি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) না নেসনেল সুট্টরশিংগী কেম্প জুলাই থাদগী হৌদুনা শান্নরোইশিং অসিনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা হল্লক্লবা পান্দম থল্লি।

নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন অসিনা লৈবাক অসিদা শন্দোরক্লিবা কেরোনাভাইরস লায়চৎ অসি অথুবা মতমদা লোয়শিল্লগনি হায়বা থাজবা থল্লি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্কদবা সুট্টিং ইভেন্টশিংসু য়ৈথোক্তুনা লাক্লি।

কেরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা চহী অসিদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা টোকিও ওলেম্পিক গেমসসু মথং চহীদা পাঙথোক্লবগী য়ৈথোকখ্রবনি। কোভিদ–১৯গী লোকদাউন্না মরম ওইরগা ম্যুনিক, ন্যু দিল্লি অমসুং বাকুদা পাঙথোক্লবগী সেদ্যুল লৈখিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপশিংসু কেন্সেল তৌখ্রবনি।

লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলেটশিংগুম্না সুট্টরশিংসু মখোয়গী ময়ুম–ময়ুমদা লৈরিবনি। এন আর এ আইনা সুট্টরশিংগী ট্রেনিং সেসনশিং অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি।

এন আর এ আইগী সেক্রেটরী রজিব ভাটিয়ানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সকী অয়াবা য়াওরগা সুট্টরশিংদা ট্রেনিং তৌবগী খুদোংচাবা হান্না পীখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনা কম্পিটিসন্দা শরুক য়াহনবগী ৱাফম লৈত্রি। জুলাই থাদগী নেসনেল কেম্প পাঙথোকপগী পান্দম থল্লিবা অসিদা সুট্টরশিংনা হেন্না খুদোংচানবা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জগা নক্লনা লৈরিবা মানভ রাচনা য়ুনিভর্সিটিগা নক্লা সুট্টরশিং লৈহন্নবা হোৎনরি। মসিগীদমক এম ঐচ এদগী অয়াবা লৌনবা হোৎনরি হায়না এন আর এ আইগী সেক্রেটরী রজিভ ভাটিয়ানা মখা তাখি।

ক্রোসৱার্দ ৫০৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | A | I | F | ■ | S | H | O | W | ■ | S | W | A | M | I |
| A | L | M | A | ■ | C | O | K | E | ■ | P | A | N | I | C |
| V | I | A | L | ■ | R | U | I | N | ■ | I | N | T | R | O |
| E | G | G | S | B | E | N | E | D | I | C | T | I | O | N |
| S | N | E | E | R | E | D | ■ | ■ | N | E | E | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | T | I | N | ■ | L | T | D | ■ | D | A | F | T |
| P | A | S | T | E | ■ | T | I | A | R | A | ■ | M | O | O |
| R | U | N | O | F | T | H | E | M | I | L | L | I | O | N |
| E | R | A | ■ | S | W | I | N | E | ■ | L | A | D | L | E |
| Y | A | P | S | ■ | E | N | S | ■ | E | M | U | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | H | E | R | ■ | ■ | B | L | A | N | C | H | E |
| H | E | A | R | A | P | I | N | I | O | N | D | R | O | P |
| O | I | L | E | R | ■ | S | A | R | I | ■ | E | E | R | O |
| G | R | O | W | L | ■ | L | I | D | S | ■ | R | A | N | D |
| S | E | E | D | Y | ■ | E | L | S | E | ■ | S | M | E | E |

# 'ষ্টোপ দি পেন্দেমিক' হায়বা থিমদা মে দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ

মালেমগী শিন্নীশিংগী নুমিৎনা লাকপদা ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুর 'দব্লিয়ু য়ু এম) গী মায়কৈদগী লমদমসিগী অমদি মালেমগী শিন্নীশিংদা মরু ওইনা শিন্নী অমা ওইনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদ্রবা, শিন্নীশিংদা ইকাই খূম্নবা উৎপা ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরনা শীন্দুনা ষ্টোপ দি পেন্দেমিক হায়বা থিমদা মে দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা দব্লিয়ু য়ু এমগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী ওইনা পেন্দেমিক ওইরিবা কোভিদ–১৯ লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা লৈবাক পূম্নমক লোকদাউন লৈখিবনা নোংমগী হিংনবগীদমক থবক শু–নোমজরিবা শিন্নীশিংদা পীরিবা অৱাবা চৈথেং কয়া খাঙলিবা শিন্নীশিংবু কোক নোন্না ইকাই খূম্নবা উৎলি। নোংমগী চারা হেনবনা শিহনবদগী কোভিদ–১৯ লায়না লায়চৎনা শিন্নী কয়া শিহনবনা শরুক ১০০ হেল্লি। মসি পূম্নমক্কী লায়বক থিবনি। চহী অসিগীওইনা দব্লিয়ু য়ু এম না থৌরম অসি ' ষ্টোপ দি পেন্দেমিক' হায়বদা য়ূম্ফম ওইজরগা ঙসি জেনিমসকী স্বিপ্পরশিং, এফ সি আই সঙাইপ্রৌগী শিন্নীশিং, কৈথেলদা ৱাটচমেন শিন্নীশিং, রোদ স্বিপ্পিং তৌরিবা শিন্নীশিং অমদি এস দব্লিয়ু এমগী শিন্নীশিংগা অহাও অথুম চামিন্নবনা মপুং ওইবা থৌরম ওইনা পাঙথোকখি। কোভিদ–১৯ থেংনবদা ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা পুলিসকী ইচিল–ইনাওশিংদসু চান–থক্লবা পোৎলম খুদোল তম্বনা মপুং ওইবা থৌরম ওইখি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মালেমগী শিন্নীশিংগী নুমিৎ অসিদা মালেমগী লৈবাক ৮০ না মাগী মাগী লৈবাক্তা ছুটি পীদুনা নুমিৎ অসিবু তরাম্না ওক্লি। চহী অসিগী ওইনা ষ্টোপ দি পেন্দেমিক' হায়বা থিমদা য়ূম্ফম ওইদুনা নুমিৎ অসিবু তরাম্না ওক্করি। কোভিদ–১৯ লায়না লায়চৎ অসি মীওইবা খুন্নাইদা ২১শুবা চহী চাগী হায়ঙমদনা থোকপা থৌদোক অমা ওইরি।

কোভিদ–১৯ অসিনা নোংমগী হিংনবা হোৎনরম্বা শিন্নী কয়া থবক লেপখিবনা অমুক্কা হেন্না ৱাহল্লবসু মীওইবগী পূন্সিনা মখল মথেল কয়াগী হিংননবগী লম্বী থিনরি। লৈঙাক্লসু মীয়ামগীদমক য়াইফ থৌরাং কয়া লৌখৎলকপা অসি থাগৎনিংঙাইহনি। লোয়ননা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক তুম্বা চাবা নাবা য়েকপা শিবা কিদনা হোৎনরিবশিংদসু দব্লিয়ু য়ু এমনা তৌবিমল খঙবা উৎচরি। ফ্রন্টলাইনদা লৈরিবশিংনা কন্না হোৎনবিরমদ্রবদি মালেমদগী মীওইবা কাঙলূপ অসি মুৎলম্বসু য়াই। অদুবু কৎথোকপগা লোয়ননা হোৎনবদগী ঙসিদি অয়াম্বা লায়না অসিদগী লাকশিনবা ঙম্লক্লি হায়বা য়াই।

খুন্নাই অসিদা মশানা মশাগী হক খঙজদবা চমজরবা শিন্নী কয়া ৱানা হিংলি। মখোয়বু করিগুম্বা মওং অমা নৎত্রগা অমদগী মখোয়গী হক কনাগুম্বনা মাঙহনবিরোইদবনি। মসিগুম্বা খুদোং থিবা মাঙলবা শিন্নীশিংগীদমক দব্লিয়ু য়ু এমনা মতম চুপ্পদা লেপ্পি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# থা অমা চুপ্পা চথরকপা ব্লদ দোনেসন কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (এন এস এন)ঃ

মৗহেরোই খুনাই অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক কথোক্লবা ঈ হায়না মিংথোনবা দেসাম, অনসম অমদি এমসনা শিল্লগা এপ্রিল থাবুমসিমা চথরকপা ব্লদ দোনেসন কেম্পগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা মীওই ২৩না ঈ পীদুনা লোইশিনখ্রে।

অন্সম, এইমস অমদি দেসামনা পুন্না থাদোরকপা প্রেস রিলিস অমনা হায়, ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি কোভিদ ১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লমদমসিদা লৈরিবা ব্লদ বেঙ্কশিংনা ঈগী অৱাৎপা লৈরকপদগী মৗহেরোই লূপ দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), অপুনবা ইরৈপাক্কী মৗহেরোই শিনপাংলূপ (এমস) অমদি ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুর (অনসম)গা রিমস, জেনিমস অমদি সিজা হোস্পিটালগা পুল্লগা চথরকপনি। এপ্রিল থাবুমসিমা চথরকপা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎ অসিদা ব্লদ দোন্নর ২৩না রিমস অমদি জেনিমস হোস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্কতা ঈ পীখি।

ঈ পীখিবা ব্লদ দোন্নরশিং অদুদি নম্বোলদগী তখেল্লম্বম রিঙ্গো, চঙাঙ্গৈ অৱাং লৈকাইদগী মোইরাংথেম জেমস, ওইনাম সৱোম্বুংদগী অসেম সুরকান্তা, সামুরৌ মখা লৈকাইদগী হিদাম রাধেশ্বর, শগোলবন্দ কাঙাবম লৈকাইদগী শেনজম ভারৎ, উরিপোক অচোম লৈকাইদগী য়ুম্নাম অরুন, চরাংপাৎতগী লৈশাংথেম জিবন, কুম্বী ময়াই লৈকাইদগী এলাংবম মনোরনজন, ৱাঙু সাবল অৱাং লৈকাইদগী মুতুম প্রমেশ্বর, ৱাঙু সাবল অৱাং লৈকাই য়ুম্নান খম্বতোন, থাঙ্গা মোইরাংথেমদগী ওইনা জয়ামেন, মোইরাংথেম রোহেন, থাঙ্গা ওইনামদগী নিংথৌজম ননাওবা, কুম্বী উচম মখোঙদগী নোংমাইথেম পোইরৈঙানবা, ঙাইখোঙ খুনৌদগী থোকচোম ন্যতোন, পাঙনতাবি অৱাং লৈকাইদগী ময়েংবম সোমোর্জিট লুৱাং, থাঙ্গা সলাম লৈকাইদগী সলাম নবকান্তা, নোংঙাদাদগী ফৈরোইজম অম্বীকা, লৈতানপোকপিদগী মোইরাংথেম রতন, হরাওরোকতগী ঙাসেপম রোজিৎ, উয়ুম্পোকতগী থাওনাওজম নেত্রজিৎ, লৈতানপোকপিদগী ৱাংজম রোসন অমদি কোংপালদগী লাইশ্রম শর্মিলানি হায়রি।

মখা তানা হোস্পিটালদা ঈগী অৱাৎপা লৈরক্লবদি মতম অমদা হেক্তা ঈ পীনবগীদমক মৗহেরোই লূপ অহুমনা শেম শাদুনা লৈরি। লোয়ননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা ঈ পীখিবা দোন্নরশিং, ঈ পীবা লাকপশিংদা মতেং পাংবীখিবা ষ্টেট ফোর্স, ট্রান্সপোর্ট অমদি হোস্পিটালশিংগী ষ্টাফশিংবু মৗহেরোই লূপ অহুমনা থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট (অমজু)গী মেম্বরশিংগী মরক্তা অনা অয়েক য়াওদুনা ঈগী মথৌ তারকপা মতমদা মৗহেরোই লূপ অহুম অসিনা ঈ পীনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়নসু মৗহেরোই লূপ অহুমগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থা অমা চুপ্পা চথখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা রিমস হোস্পিটালদা মীওই ৯৯, জেনিমসতা মীওই ৮২ অমদি সিজ হোস্পিটালদা মীওই ১৯ অপুনবা মীওই ২০১না ঈ পীখি হায়রি।


# মৗহেরোইশিংদা মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ

মপান্দা মৗহে তমদুনা লৈরিবা হৌজিক্লা কোভিদ–১৯গী লায়চৎ থেংননবা লোকদাউন তৌখিবদগী য়ুমদা হল্লকপা য়াদনা লৈরিবা নাউরিয়া পাখঙলাকপা এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী মৗহেরোইশিংদা চুমথাং শান্নপুংগী মেনেজিং দাইরেক্টর সোরাইসম ওংবী কেবি দেবীনা শেলগী মতেং পাঙখ্রে।

হিরম অসিগা মরি লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা চুমথাং শান্নবুংগী মেনেজিং দাইরেক্টর সোরাইসম ওংবী কেবিনা হায়, হৌজিক কোভিদ–১৯ গী লোকদাউনা মরম ওইরগা মণিপুরদা হল্লকপা য়াদনা অৱাবা মায়োক্নরিবা নাউরিয়া পাখঙলাকপা এ সিগী মনুংদা লৈরিবা মৗহেরোইশিংগী অৱাবদা মতেং পাঙবা ওইনা মখোয়গী একাউন্টতা লুপা লিশিং অনি অনি হাপ্পীদুনা মতেং পাঙবা হৌবনি।

হৌজিক ফাওবদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা পুন্না মৗহেরোই ২৫০ রোমগী মশা মশাগী একাউন্টতা লুপা লিশিং অনি অনি হাপ্পুনা মতেং পাঙগনি হায়খি।



Happy Birthday to Purnachandra Potshangbam

on 1st May, 2020

You are loved, today, tomorrow and always

Best wishes from,

Potshangbam Surchandra (Father) & Potshangbam (O) Thoileima (Mother)

SL/B/1

**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 30th April, 2020

**No.5/40/2012-HSC:** In supersession of all previous notification issued with regard to the Class-XI Examination, 2020, it is hereby notified to all concerned more particularly to the Principals of the Higher Secondary Schools and Colleges having +2 courses that as per Cabinet decision conveyed to the Council vide Secretariat Education(S) Department, Government of Manipur letter No.29/01/2020-SE(S) dated 27th April, 2020, read with CBSE New Delhi Press Release dated 1-4-2020 and resolution No. 1.1 of the Examination Committee Meeting held on 29th April, 2020, all the Principals of higher Secondary Schools and Colleges having +2 courses are advised to promote the students of Class XI who are in possession of Admit Cards issued by the Council of Higher Secondary Education, Manipur to the next grade i.e. Class-XII immediately on basis of all the school based assessments that is Term Tests conducted so far.

All the Heads of institutions are therefore advised to submit the prepared Tabulation Sheets on or before 13th May, 2020 positively as notified earlier.

Sd/-
(CH. BIREN SINGH)
Secretary,,
Council of Hr. Sec. Education,
Manipur

SL/B/1

# লোকদাউন থুগায়বা মীওই ১১০৪ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০(এস এন এস)ঃ

তমথিরবা কোরোনাভাইরস কোভিদ ১৯ লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবগী লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং কর্ফ্যু অমদি লোকদাউনগী অথিংবা থুগায়বশিংগী মথক্তা পুলিসনা লেপ্তনা দ্রাইভ চথরি। দ্রাইভকী মনুং চন্না ঙসিশু অথিংবা থুগায়দুনা য়ূমদগী থোক্লকখিবা ওথোরাইজ ওইদবা মণিপুর পুম্বগী ওইনা পুন্না মীওই ১১০৪ অমদি মখোয়গা লোয়নরকপা গারী ৮৪২ দিটেন তৌরবা মতুং ফাইন থিহনখ্রে।

পুলিসকী চেরোল অমনা হায়, ঙসি পুলিস দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চথখিবা দ্রাইভতা লোকদাউন অমদি কর্ফ্যুগী অথিংবা থুগায়দুনা য়ুমদগী থোক্লখিবা পুন্না মীওই ১১০৪ অমদি মখোয় লোয়নরকপা গারী পুন্না ৮৪২ ফারগা দিটেন্ট তৌখি। দিটেন্ট তৌখিবশিং অদু সি আর পি সিগী অন্দর সেক্সন ১০৭ অমদি মোটোর ভেহিকল এক্টকী মখাদা মরী লৈনবা একজিক্যুটিভ মাজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লগা ফাইন থিহল্লগা থাদোকখি। ফাইন থিহনখিবা অদু অপুনবা শেনফম লুপা ১,২২,৪৯০ ওইখি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা, কোভিদ ১৯ অসি থেংননবা চেকশিন থৌরাং ওইনা লৈঙাক্না লাওথোক্লিবা চৎনা কাংলোনশিং অসি মীয়াম্না ঙাক্না চৎপিয়ু। য়ূম য়ূমদগী মপান থোকপিগনু। লৈঙাক্কী চৎনা কাংলোনশিং থুগায়দুনা থোক্লপা ওথোরাইজ ওইদবা মীওইশিং অদু নেস্নেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫কী মখাদা অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়রি।